ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 291 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৪ | ইম্ফাল, শজিবুগী ২৮ নি পানবা, য়ুমশকৈশা, এপ্রিল ১৫,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।–

## শুমাঙ লিলা

**ইম্ফাল এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরগী লালহৌলুপ ৫না মমাঙ চহীগী মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারবগীদমক মণিপুরগী মমিং লৈরবা লিলা গ্রুপ ৫ অমদি শুমাঙ লিলা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট অমদি লাইফটাইম জেনরেল সেক্রেটরি ২গী মথক্তা থম্লে অথিবা কোমথোকপীরকপগীদমক মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লিলা কাউন্সিলনা মীয়াম অমদি মরী লৈনবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## এম জয় এপোইন্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর লৈঙাক্কী লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফিয়ার্স দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না এম জয় সিংহ,আই এ এস (রিটায়ার্দ) পু ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইনা খন্লে। মহাক্না মশাগী ৬২ শুদ্রিফাওবা পায়গনি।

## ক্লাস তেন রিজল্ট

**ইম্ফাল মার্চ ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি বি এস ই)না লৌবা ক্লাস তেনগী একজাম রিজল্ট ফল লাউথোকখ্রে। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মহৈরোই লাক্ষ ২৫না শরুক য়াখিবা একজাম অসিদা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.৭০ ওইরে হায়রি।

## হয়েংগী নোংদম

১৬।০৪। ২০২৬

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ – থবক তৌবদা কান্নজবা, শকখঙ মায়খঙনবীবা নুমিৎনি। ইমুংগী মীওইশিংগী মরৈ য়েৎনগনু।

বৃষ –অফবা অমসুং ফত্তবা অনীমক থেংনগনি। চাদিং তৌবদা য়াম্না চেকশিল্লু।

মিথুন– থবক তৌবদা পাঙ্গল থোকপা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্কী, থবক্কী খূদোংচাবা লৈগনি।

কর্কট – থবক তৌবদা মায় পাক্তবা ৱাখল থোক্তবা থেংনগনি। হেঞ্জিন্না খঞ্জিনবা তৌগনু।

সিংহ– লুচিংবা ওইনা থবক তৌবা য়াবা অমসুং অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি। লম তু চৎপা য়াই।

কন্যা– তৌগদবা থবক্তু খক্তদা মীৎয়েং থম্মু। শেল থুমগী লন্মী ফগৎলক্কনি।

তুলা– মরুপ মপাং, শাগৈ নাতৈগী মরী ফগৎচগনি। অপীকপা খোঙচৎতা শৌগৎপীবা লৈগনি।

বৃশ্চিক –খুদোংথিবা থোক্তনবা চেকশিল্লু। লান্না লৌনবদগী য়েক্লবা মশিং য়ামখৎলক্কনি।

ধনু– থবক তৌবদা দাও য়াগনি। লাইরিক লাইশু তম্বা অমসুং তুংগী লন্মী শেন্দা মায় পাক্কনি।

মকর–থবক কন্না শু–নোম্বদা কান্নজবা ফংগনি। শেল থুমগী লন্মী তপ্না ফগৎলক্কনি।

কুম্ভ– অনৌবা ৱাখল্লোনদা চাওখৎনবা থবক তৌবা য়াগনি। মীয়ামগা লোইনবদা কান্নজবা ফংগনি।

মীন – লাইনিং লাইশোনগী থবক্তা মায় ওনশিনবনা পূক্নিং ঈংহনবা ঙমগনি। অতোপ্পদা শেল থাদগনু।

## মচিন– মৌপ্বা য়াওনা মীওই ৫ হাৎখিবগী খোঙজং কনখৎলক্লি

# অন্দ্রো পার্কিংদগী য়াইরিপোক ফাওবগী লন্মী থিংদুনা প্রোষ্টেষ্টে তৌখ্রে, মহৈশঙশিং খোঙ লোন্নখ্রে



**ইম্ফাল এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা বোম পোকখায়হন্দুনা চহী নৌরিবা মচিন- মৌপ্বা হাৎখিবা অমসুং খৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা নহা ৩ সি আর পি এফনা নোংমৈনা কপ্পুনা হাৎখিবগী খোঙজং নেমথবা লৈত্রি, হেন্নদুম কনখৎলক্লি।

মফম কয়াদা হৌরিবা মীয়ামগী খোঙজং অসিগী য়েলেপা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা ঙসি নুমিৎ ফ্লো অমা কর্ফিয়ু লৌথোকখিদে। অদুগা মায়কৈ কয়াদা ঈরাং থোক্লি।

ওল কোংবা রোদ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অকুকো)না ঙরাং লাউথোকখিবা মতুং ইন্না ঙসি অয়ুক অঙবনদগী কোংবা কৈথেল ফাওরগী য়াইরিপোক ফাওবগী লন্মী থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনখি। ঙল্লিংঙৈ মতমদা অন্দ্রো পার্কিংদা মীয়াম কৈথেল কান্নবা উখি। অদুবু অয়ুক্কী পুং ৮ তারকপা অদুৱাইদগী মীয়াম অমা থোরক্তুনা লন্মী থিংবা হৌরকপদগী চেল্লপ্পা গাড়ীশিং লেপখি। পোৎ য়োল্লপ্পশিং মথং মথং হায়খি।

কোকোমিনা ইকলগা পুল্লগা য়াইঙংপোকপীদগী খুরাই লম্লোং বজার ফাওবগী লন্মী নাক য়েংতা লৈরিবা ব্লকশিং, মৈরা পায়বীশিংনা মফম ১৪দা অয়ুক্কু পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা প্রোটেষ্ট খৌদোক অদুগী অচুপ্পা ৱায়েল পাম্মী। খৌদোক অদুদা চন্নরিবশিং ফাগদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়ামরুমসু লাউখি।

মরক অসিদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ তাবদা অমুকো, অমৱোভা, কোহর, এম এস এফ অমসুং পোইরৈ লৈমরোল অপূনবা মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা ক্বাকৈথেলদগী হৌরগা কৈশাম্পাৎ ফাওবা মীয়ামগী ওইবা মৈরাগী খোঙচৎ অমা চংকদৌরি।

ত্রোংলাওবী খৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোকতুনা ঙরাং নুমিদাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ওকসু নিংথেমচা খুন, নোংদম, নোংগ্রেন, নোংপোক ককচীংগী মশিং য়াম্লবা পুম্নাশিংনা থোরক্তুনা মখুৎতা মৈরা পায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। তোঙান তোঙানবা মফম মরীদগী লাকখিবা মীয়ামনা ঙরাং নোংপোক ককচিংদগী পুল্লপ পুন্দুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। অমুকো, অমৱোভা, কোহর, এম এস এফ, মণিপুর লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা , মণিপুর অমদি আই ই দি য়ু সি ও, পালেম, এন ই য়ু সিনা পুল্লা শীন্দুনা চঙশিনখিবা মৈরাগী খোঙচৎ অদুদা অঙাং হাৎপা য়ানিংদে হায়বনচিংবা লাউখি।

অমরোমদা, ঙরাং মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন কোলকাতানা শীন্দুনা কোলকাদা লৈবা মণিপুর ভবনদা ত্রোংলাওবী খৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অঙাং অনীগী মফমদা কেন্দলাইটগী খৌরম পাঙথোকখ্রে।

## থিনুঙ্গৈ অমসুং মসিগী অকোয়বদা থোকখিবা ঈরাং নেমথখ্রে

# মীয়ামনা মুনখিবা নোংমৈ ৮ ফংলে, পাউ ফাওনবা ৱাৎহৌবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনিঃ গোবিন্দাস



**ইম্ফাল এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী থিনুঙ্গৈ অমসুং মসিগী অকোয়বদা ঙরাং থোকখিবা মীয়ামগী মোব অদু লাকশিনবা ঙম্লে। থৌদোক অদু পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী থোকখিবনি অমসুং থৌদোক অদুদা মীয়াম্না মুনখিবা নোংমৈ ৮ অদুসু রিকোভর তৌরে হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মন্ত্রিপুখ্রিগী ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, ঙরাংগী থৌদোক অদু নুপী অমনা গাড়ী অমদা কুকি য়াওরে হায়না লাউখিবা ভি দি ও অমা সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখিবদগীনি। অরানবা ৱাফম অদুনা মরম ওইরগা মীয়ামনা মথং মথং পাউ পীনদুনা ঈরাং শাগৎলকখিবনি। মরম অদুনা মীয়ামনসু তোকঙাদা থাজবা থম্বীগনু।

থৌদোক অদু করম্না থোকখিবনো হায়বগী মখা তারদুনা হোম মিনিষ্টরনা হায়, ঙরাং অয়ুক পুং ১০ঃ ৩০ রোম তাবদা অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টতা সি আই এস এফ অমদি এয়রপোর্ট পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা থি–হুন্দ্রগী থবক চৎখি। এক্সন অদুদা দ্রগ লল্লোনবনি হায়না চিংনবা মহমদ সাবির অহমদ কৌবা ক্বাক্তা খুমন থোংখোংদগী মীওই অমা ফাখি। মীওই অদুগী বেগেজ চেক তৌবদা ব্রাউন্দ সুগরনি চিংনবা পাউদর কিলোমিটর ৬.৪ কন্টেন্নর ৬তা হাপ্লগা পুরম্বা থেংনখি।

ফারবা মীওই অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ক্বাক্তদা খূৎলায় খরা লোৎতুনা থম্লে হায়বা খঙবা ঙল্লকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সেসনা নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা ময়ায় কাবা দ্রগ অমসুং খূৎলায়শিং অদু ফাননবা থিনুঙ্গৈ মায়কৈদা লাকখি। অসাম রাইফলসকী কাঙবু অদুগী মরক্তা চান্দেলদগী নাগা অমা য়াওই। সিভিল দ্রেশতা লাকপা অমসুং নোংমৈ ময়াম উবদুদা কুকি য়াওরে হায়না নুপী অমনা লাউরকখি। মদুদগী খুদক্তা মীয়াম্না গাড়ীশিং অদু নুঙনা থোমজিল্লকখি। তশেংবদি গাড়ী অদু এ আর পার্সনেল তোঙলকপনি কুকি য়াওরকখিবসু লৈতে। সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অদু মীয়ামনা কোইতান–তান্নখি। তুংদা মখোয়না পুরকপা নোংমৈ ৮ অদু মীয়াম্না মুনহৌখি অমসুং গাড়ী ২সু মৈ থাদোকখি। তুংদা নোংমৈ ৮ অদু মীয়ামদগী রিকোভর তৌবা ঙমখি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি। য়ারিবমখৈ তোকঙা থাজবীগনু। হৌজিক্তি মীয়াম পুম্নমক ঈংনা চিন্না লৈবীয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

## কে সি পিগী ৪৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ৱায়েল কাতি)ঃ** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ৪৬রকশুবা কুমওন থৌরম ঙরাং ১৪১ বাট্টালিয়ানদা মপুং ওইনা পাঙথোকপগা লোয়ননা সি ঐচ ক্যু, জি ঐচ ক্যু, মোবাইল য়ুনিটশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ত কম্মান্দরশিংগী মখাদা তম্পাক্কী মফম কয়াদসু পাঙথোকখ্রে।

লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিতি সেক্রেটরি ইন–চার্জ এস মঙালনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, ১৪১ বাট্টালিয়নদা পাঙথোকপা থৌরমদা পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ পোইরৈনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি চীফ ওফ দি আর্মি ষ্টাফ ঐচ ইবোমচানা থৌরম মপু লোয়ননা দেপ্যুতি ফাইনান্স সেক্রেটরি টিঐচ বোবি অমদি জেনরেল ষ্টাফ ওফিসার জি–২ এল মণিনা ইকাই খুম্নজরবা মীথুংশিং ওইখি।

অথোইবা মীথুংলেননা মৈরা চুখৎতুনা অমদি থৌরম মপুনা মৈরা চুখৎতুনা থৌরম অদু হৌদোকখি। ঐখোয়গী য়াওল লাঙ্হেংগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা কোক নোন্না ইকাই খুম্নবা উৎখি। থৌরমগী মনুং চন্না কমরেদ মঙাংচানা মীয়ামবু তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি। মথংদা ৪৫শুবা কে সি পিগী মপোক কুওমনদা সেন্ত্রেল কম্মিটিনা মীয়ামদা পীজবা চহীগী ৱারোল কমরেদ ৱাই সোমোর্জিৎনা পাথোকখি।

থৌরম মখা চত্থরকপদা মরু ওইবা লেংবীরকপশিংনা ঙসিগী থৌরমগা মরী লৈনবা ৱারোলশিং পীনখি। মখা তারকপদা কে সি পিগী দেপ্যুতি ফাইনান্স সেক্রেটরি টিঐচ বোবি ইকাই খুম্নজরবনা মাগী মাগী ৱারোল কয়ামরুম থমখি। মৈতৈগী ঈদা–তোংদা পক্তুনা লৈরিবা খাঙবা কনবা কখোকপা, ৱাশক ঙাকপা হায়খিবা অমা শোয়খিবগীদমক কখোকপা ঙম্বা অদুগুম্বা মতমদুগী মৈতৈদু ঙসিগী মৈতৈদা ওইরক্ত্রে হায়নসু মখা তাখি।

## ইজরেল অমসুং লেবানন হকথেংননা ৱারী শান্নখ্রে

**বৈরুট, এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কুমজা ১৯৯৩গী মতুংদা অহানবা ওইনা ইজরেল অমসুং লেবননননা হকথেংননা ৱারী শান্নদুনা ইরান অমদি হেজবোল্লাহ মরক্তা খূৎ থোক্নবা লেপহন্নবগী মতাংদা খন্ন–নৈনখ্রে। ৱাশিংতনদা পাঙথোকখিবা ৱারী শান্নবা অদুদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। রিপোর্টঅমগী মতুং ইন্না হিজবোল্লাহ মিলিটেন্টশিং খূৎলায় থাদোকপগী মতাংদা অয়াবা পীরক্লে হায়রি। লেবানন অমদি ইজরেল অনীগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক ওইবা মরী থম্নদবা মরমনা কুমজা ১৯৯৩দগী ঙসি ফাওবা ৱারী শান্নবা লৈত্রি। মার্চ২ দা ইজরেলনা লেবাননগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মিলিটরি ওপরেসন চত্থবদা মীওই২০০০ হেন্না শিখ্রবনি। নন্দ অমদি হেজবোল্লাহগী মিলিটেন্টশিং খূৎলায় থাদোকহনবগা লোয়ননা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসি অমাঙ–অতা থোকহন্নবগী পান্দমদা লেবানন্দগী তোঙান তোঙশনবা মফমদা ওপরেসন চত্থবনি হায়রি।

## বি জে পিগী সমরাট চৌধরি বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বি জে পিগী লুচিংবা সমরাট চৌধরি বিহারগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। নিটিশ কুমারনা লুচিংবা লৈঙাক্তা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরম্বনি। পাটনাদা লৈবা লোক ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা গভর্নর সয়িদ অতা হসনেলনা চৌধরিবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। জে দি (য়ু)গী এম এল এশিং বিজয়কুমার চৌধরি অমদি বিজেন্দ্র প্রসাদ যাদবসু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বিহারগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা সিট খ্বাইদগী মশিং ফংদুনা মায় পাক্লবা মতুংদা সমরাট চৌধরিনা গভর্নর সয়িদ অতা হসনেল উন্নদুনা লৈঙাক শেম্নবা ষ্টেক ক্লেইম তৌখি। মশাগী চহী ৫৭ শুরবা চৌধরি কুমজা ২০১৭তা বি জে পি য়াওরকখিবনি। হৌজিক হৌজিক রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরবা নিটি কুমারনা ঙরাং সি এম ফম থাদোকখিবনি।

## পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী বাট্টালিয়ন লৌথোকপা য়ারোই হায়না ঈরাং হৌরকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী নোংসুম অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ফয়েংদা লৈবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী কেম্পশিং হোংদোকপা য়ারোই হায়না মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না ঈরাং হৌরকখ্রে অমসুং মখোয় চৎপা য়ারোই হায়না লন্মী থিংজিনখ্রে।

নোংসুমদা লৈবা ২৯৩শুবা বাট্টালিয়নদা লৈবা কাদরশিং চৎননবগী কুমথরকপদা মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না থৎতুনা চৎহনখিদে। কাদরশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়না থিংবগী খোঙজং অদুদা নাগা ফুরুপকী মনুং চল্লিবা তাঙ্খুলগী নুপী কয়া অমসু য়াওখি। মখোয় মফম অদুদা লৈবনা মরম ওইরগা খামেন লোক অমসুং মসিগী অকোয়বদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা ঙাইহাক লৈতনা অতোপ্পা ফুরুপ্তা অকি–তুজুংবা পীরিবদু কোকহল্লগা লাকখিবনি। মখোয়গী মহুৎতা সি আর পি এফ থমগনি হায়রিবসিনা মীয়ামবু লৈতানা লৈবা ঙমহল্লোই। মসি খঙলগা লৈঙাক্না মখোয়না লৌখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্তুনা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী বাট্টালিয়ন অসি মফম অদুদা অদুম থম্বীয়ু হায়না মীয়াম্না আপিল তৌরক্লি।

ফয়েংদা লৈরিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী কাঙবু খুল অদু থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়না মীয়াম্না লন্মী থিংখি। কাঙলূপকী ঈরাং মনুংদা লৈতানা লৈবা ঙমখিবদু মখোয় লৈবদগীনি হায়রি। অমরোমদা, মিনিষ্টর গোবিন্দাসনদি মখোয়না হৌজিক লৈরিবা মফম অদু অনওথোরাইজনি হায়রি।

## মীতোপ খন্দোকপা, হলহনখিবা ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌদাংনিঃ সেন্টর

**ইম্ফাল এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপ খন্দোক্লগা মরৈবাক্তা হলহনখিবগী থৌদাং ষ্টেট লৈঙাক্কী ওইগদবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ষ্টেট ফোর হোম এফিয়ার্স বন্দি সঞ্জয় কুমারনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহল্লকখ্রে। মার্চ ৩০ দা এম পি ডাঃ বিমোলনা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখিবা ৱাফম অমগী পাউখুমদা অৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা থারকপা চেরোল অদুদা হায়, মীতোপ খন্দোকপা অমসুং মরৈবাক্ত হলহনখিবগী থৌরাং অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী লেপ্তুনা চত্থরক্লবনি। ইম্মিগ্রেসন এন্দ ফোরেইনরস এক্ট ২০২৫ গী মখাদা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং খন্দোক্লগা মরৈবাক্তা হলহনখিনবগী থৌদাং মণিপুর য়াওনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক্তা শীন্নখ্রবনি। ইম্মিগ্রেসন এন্দ ফোরেইনরস এক্ট ২০২৫গী সেক্সন ২৮গী মতুং ইন্না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ১দা নোটিফিকেসন অমা মীতোপ খন্দোক্লগা মরৈবাক্তা হলহনখিনবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক্ত খঙহনবা লৈখ্রে।

## ফয়ার সার্ভিস ৱিক হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা ইম্ফালগী ফয়ার সার্ভিস হেদ ক্বার্টরদা ফয়ার সার্ভিস ৱিক ২০২৬ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদু য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, ত্রোংলাওবীদা হন্দক বোম পোকখায়বগী মতাংদা চত্থরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিগা মরী লৈননা মীয়াম্না পূক্নিং ফাথনা লৈবীয়ু। য়াম্না মরু ওইবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থবা হায়বসি নোংমা খক্তদা লোইশিনবা য়াদে। মতিক চাবা খুদম চাংদম ফংনবা হোৎনবদা নুমিৎ কয়ানি চঙনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগী তঙাইফদবা লৈ। নেস্নেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) য়াওনা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিংনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙম্নবা মীয়াম্না পূক্নিং ফাথনা লৈবা মথৌ তাই।

পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী কেম্পশিং হোংদোকপগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়, লৈঙাক্না খূৎলায় পায়বা লূপ অসিগা পিছ এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবনিনা লূপ অসিগী কাদরশিং অনওথোরাইজ ওইবা মফমদগী দেজিগনেটে কেম্পশিংদা হোংদোকপা মথৌ তাই। মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎখি।

## এপ্রিল ১৭তা ৱাকৎ মীফম ফম্লগনি

**ইম্ফাল এপ্রিল ১৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** থা অসিগী ৬কী অহিং নোংয়াইদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা ত্রোংলাওবীদা শকখঙদবশিংনা বোম কাপশিন্দুনা মমাগা ওন্না তূমদুনা লৈবা পীক্লিবা অঙাং ২গী পুন্সি তমথিনা পীখম্নখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীশি অদুদা চেন্নরিবশিং ফাগৎতুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীয়ু হায়বগী ৱাখল্লোনদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৭কী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈবা য়াইফ থৌনি কম্যুনিতি হোলদা ৱাকৎ মীফম অমা ফম্লগনি।

ৱাকৎ মীফম অসিদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী এসোসিয়েসন। গিল্ড ১২ গী থৌবুরোইশিং, লুপলোইশিং অমদি ফিল্মগা মরী লৈনবা ইচিন ইনাও পুম্নমক্না মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়ারনবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা খঙহল্লক্লি।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসি ফাওবা চহী ৩ হেন্না থোরক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা চাওনা অৱাবা চৈথেং নংলিবা অসিমক ফিল্মগী থৌমী পুম্নমক্তসু নংলি। ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা ঈং তপ্পা লমদম অমা পুরক্কবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

## ওপোজিসননা শৌগৎত্রগদি ৱিমেন রিজার্ভেসন বিল পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌবা ঙম্লোইদৌরি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ৱায়েল কাতি) ঃ** কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসননা শৌগৎলক্ত্রগদি এন দি এ লৈঙাক্না পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কদৌরিবা নারি শক্তি বন্ধন অধিনিয়ম (ৱিমেন রিজার্ভেসন এক্ট ২০২৩) মথংগী লোক সভা মীখল মমাঙদা চৎনহনবা ঙম্লোইদৌরি।

কন্সটিট্যুস্নেল এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌনবগী পান্দমদা এপ্রিল ১৬তগী ১৮ ফাওবা পার্লিয়ামেন্টকী স্পেসিয়েল সেসন অমা তৌখ্রবনি। কুমজা ২০২৯গী মমাঙদা লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিশিংদা নুপীগী সিট চাদা ৩৩ সিট রিজার্ভ তৌনবগী পান্দমদা এমেন্দমেন্ট বিল অসি পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। সেন্টরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা পার্টি খূদিংমক্না শৌগৎপীনবা পি এম নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌবা লৈখ্রে।

বি জে পিগী ওইনদি হ্বিপ চল্লাইখিবগা লোয়ননা পার্টিগী এম পি পুম্নমক হাউসতা লাক্লবা খঙহনখ্রবনি। অদুম ওইনমক কন্সটিট্যুস্নেল এমেন্দমেন্ট বিল ওইবা মরমনা ওপোজিসনগী মতেং য়াওদ্রবদি লোক সভাদা পাস তৌবা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরে। লোক সভাদা হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা এন দি এগী অপূনবা সিট মশিং ২৯৩নি। ওপোজিসনগীনা ২৪০নি। কন্সটিট্যুস্নেল এমেন্দমেন্ট বিল অমা পাস তৌনবগীদমক অপূনবা মেম্বর মশিংগী শরুক ৩ থোকপগী ২না শৌগৎপা মথৌ তাই। করিগুম্বা মেম্বর পুম্নমক মীফমদা শরুক য়াবা তারবদি তঙাইফদনা মেম্বর ৩৬৪না বিল অসি শৌগৎতুনা ভোট পীবগী তঙাইফদবা লৈ।

এন দি এনা মেজোরিতি ওইরবসু লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা কন্সটিট্যুস্নেল এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌনবগীদমক তঙাইফদবা এম পি মশিং শুনা লৈত্রি। কোংগ্রেস অমসুং অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংনা এমেন্দমেন্ট বিল অসিগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রে। রাজ্য সভাদা ওপোজিসনগী লিদর ওইরিবা কোংগ্রেসকী মালিক আর্জুন খার্গেনা হায়, ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খরদা মীখল পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা নংহৌরোইদবগী মতাগুম এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি পোলিটিকেল খূদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনি।

কোংগ্রেসকী এম পি সোনিয়া গান্ধিনসু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা খ্বাইদগী মরু ওইনা খন্নগদৌরিবসি দিলিমিটেসনগী মতাংদনি। ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টগী মতাংদা নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

মীশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা লোক সভাগী সিট মশিং হেঙ্গৎহনবগী থৌরাং অসিনা অৱাং থংবা ষ্টেটশিংদা চাওনা খুদোংচাবা ফংহল্লগা, খা থংবা অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা মাঙজবা লৈহল্লগনি হায়নসু ওপোজিসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরকখি। করিগুম্বা এমেন্দমেন্ট বিল অসি পাস তৌরগা এক্ট ওন্দুনা চৎনখিবা তারবদি মণিপুর, মেঘালায়া অমদি ত্রিপুরানচিংবা অপীকপা ষ্টেটশিংগী লোক সভা সিট মশিং ২দগী ৩দা হেঙ্গৎলকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না উত্তর প্রদেশ সিট মশিং ৮০দগী ১৭৫, মহারাস্ত্রগী ৪৮ লৈরম্বদগী ৭৬, বিহারগী ৪০ লৈরম্বদগী ৭৯, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৪২দগী ৬৩,তামিল নাদুগী ৩৯ লৈরম্বদগী ৫৯, মধ্য প্রদেশকী ২৯ লৈরম্বদগী ৪৫, কর্নাটাকাগী ২৮ লৈরম্বদগী ৩২, গুজরাটক্কী ২৬ লৈরম্বদগী ৪৩, রাজস্থানগী ২৫ দগী ৫০, অন্ধ্র প্রদেশকী ২৫দগী ৩৮, কেরেলাগী ২০দগী ৩০, ওদিষাগী ২১ দগী ৩২, ছাতিসগরগী ১১দগী ১৭,ঝরখান্দগী ১৪ দগী ২১, অসামগী ১৪দগী ২১, পঞ্জাবকীনা ১৩ দগী ২০, হরিয়ানাগী ১০দগী ১৫, দিল্লিগী ৭ তগী ১১, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ৫দগী ৮দা হেঙ্গৎলবা য়াই হায়না পান্নরি।

লোক সভাগী অপূনবা সিট মশিং ৫৪৩ ওইরম্বদগী ৮৫০দা হেঙ্গৎহন্নবগী পান্দমদা সেন্টরনা মরু ওইবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। হায়রিবা বিলশিং অদুদি দি কন্সটিট্যুসন(১৩১ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬, দিলিমিটেসন বিল ২০২৬ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ লোস (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬নি।

## কে সি পি (পি দব্লিউ জি) এম সি য়ুনিফিকেসননা য়াইফ–পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫(ৱায়েল কাতি) ঃ** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (পি দব্লিউ জি) এম সি য়ুনিফিকেসনগী ৪৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লূপ অসিনা কংলৈ মীয়ামদা লূপকী ওইবা য়াইফ–পাউজেল পীরক্লি।

লোনা য়াদবা লূপ অসিগী পি আর ও চীঙ্খোঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমওন নুমিৎ অসিনা লাকপসিদা লময়ানবা খুমন অমদি পোইরৈ অনীনা লুচিংবা লূপনা নিংতম য়াওল ঈহৌ অসিবু লিংখৎপীরম্বা লাইওইখ্রবা অহলশিং য়াওনা নিংখা তম্না চাউখৎপা কংলৈপাক অমগীদমক থৱায় কৎখ্রবা লূপ অসিগী থৌনা ফৱবা অথৌবা পুম্নমক কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসি ফাওবা চত্থরক্লিবা কুকি–নার্কো টেরোরিষ্টশিংগী মখা কয়াগী লান্দা অসিদা লৈখিদ্রবা, লৈখিদ্রবীশিং, মফম খঙদনা লৈরিবশিং, জেলদা অৱা–অনা খাঙলিবা লূপকী থৌনা ফৱবা থৌমীশিং অমদি হৌখিবা এপ্রিল ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১ঃ৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা বোম পোকখায়হন্দুনা অমদি নোংমৈনা কাপশিন্দুনা লৈখিদ্রবশিং অমদি অশোক–অপন নংখ্রবশিংদসু ইকাই খুম্নবা উৎলক্লি। লূপ অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেমসু তৌরক্লি।

পি দব্লিউ জিগী ৪৬শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লূপ অসিনা কংলৈ মীয়ামদা মপুং ওইনা খঙহঞ্জনিংবা ৱাফমদি কংলৈপাক অসি কমদৌনা হৌরকখি, করি ফিভমদা লৈরি হায়বশিং অসিনি। তশেংনমক্তি কংলৈপাক অসি নিংথৌ পানবা মনিং মখা তম্বা অহল লমন, থক–খা খঙনা চৎচবা ইরমদমগী পোখোক্লা চাবা কোন্নজবা য়েলহৌমী চীংমী তম্মীশিং নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরকপা লমদম অমা ওইনা লাকখিবনি। পুম্নমক অদু ঙসিদি লোইলম শন্দোকপা বৃটিশ অমদি কংলৈপাকপু ইন্দিয়াদা নমতিন তিনখিবা লৈঙাক্তুনা পুম্নমক্তু মাঙহনখ্রবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিকসু ষ্টেট লৈঙাক্না কংলৈ খুন্নাইবু কন্ননবা হোৎনহৌদবদগী অমুক হন্না তিঞ্জং কায়জংদবা, ইমা লৈবাক ইরমদমবু নুংশিজবা, মশা মউ ফৱা নহারোলশিংতনা থল্লবা কংলৈ খুন্নাই অসি হৌজিক্তি দ্রগ, হেরোইন, গঞ্জা, এন–১০ য়াওনা মখল কয়াগী নিষা শীজিন্নবা, ময়ায় কাবা নিষানা লাকশিল্লক্লবা মহাও য়াওদ্রবা, মতিক মথৌনা লৈত্রবা তিন চঙলবা খুন্নাই অমগুম হিংলক্লিবসি কুমজা মশিং য়াম্লে।

মণিপুরদা য়েমৌনবা মওংদা থাবল চোংবগী মতাংদা পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ময়ূম–মকৈ পাল্লবী মৌশিংনা থাবল চোংদুনা অমদি নিংঙোল ওইবীশিংনা মতিক নত্তবীদা মতম কায়না থাবল চোংদুনা অমদি অতৈ থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা কংলৈপাক্তা থোকহন্নিংদবা ঈরাং থোরক্লবসু শীল্লোইদবনি।

থাবল চোংবা, লিলা, দ্রামা য়াওনা কুন্ধো হরাওবা হায়বসি য়েলহৌমী কংলৈ খুন্নাইসিগীদি মফম মতম লৈবনি। মসি খঙনা থবক পাঙথোকমিন্নদুনা মখা তানা কংলৈ অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা ঐখোয় পূন্না থৌদাং লৌমিন্নসি। মতম অদুদা কংলৈপাক অসি মতিক মগুণ লৈবা মীখা পোন্দবা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগদৌরি হায়নসু মখা তারক্লি।

# এদিটৌরিয়েল

ইম্ফাল, শজিবুগী ২৮ নি পানবা, য়ুমশকৈশা, এপ্রিল ১৫,২০২৬ ইং

## মণিপুরদা রিজিদ পেভমেন্টগী লম্বী শেম্বা

### শীজিন্নরিবা নুঙ অমসুং লৈঙোই কদায়দগী লৌরিবনো হায়বা খঙহল্লু

মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দক্তা সিমেন্ট কনক্রিট রোদ (রিজিদ পেভমেন্ট)কী থবকশিং ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা পায়খৎলি। চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৩,৩০০ তগী লুপা ক্রোর ৩৬৪৭ রোমগী য়াম্না চাওবা প্রোজেক্ট অসিগী থবক থৌরমদা থাদরি। অচৌবা প্রোজেক্ট ওইবনিনা চহী অসিগী মনুংদা লম্বী শেম্বা লোইশিনগনি হায়বদুমদি থাজবা ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা য়ামখ্রবা শেনফম অসি এসিয়ান ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্ক ( এ আই আই বি) অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পুথোক্লিবনি। এ আই আই বিনা থাদরক্লিবা শেনফমশিং অদুসু মণিপুরী ঐখোয়বু নুংশিবীবদগী পীবা নত্তে। শেন্দোয় লৌরগা লোন ওইনা পীরিবনি। য়ামখ্রবা শেনফমশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামদগী খোমগৎলকপা টেক্সশিংদগী শিংগদৌরিবনি। চাওরাক্লা কিলোমিটর ৫৪৭ শাংবা লম্বী শেম্বা প্রোজেক্ট অসিগী মমি মণিপুর অর্ব্বান রোদ, দ্রেনেজ এন্দ এসেট মেনেজমেন্ট ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্ট হায়না কৌই। কোইলাস থারগা লৈরম্বা লম্বীশিং শোকচিল্লকপা, য়াম্না তোয়না ঈশিং ঈচাও থোকপা অমসুং ঈশিং তুংদুনা লৈবা মফমশিংদা লম্বী অসি শেম্বগী মরম ওইরকখিবনি। মসিনা মতম শাংনা লম্বীশিং মেন্টেইনেন্স ইতৌ তৌদনা মীয়ামনা শীজিন্নবা ঙমগনি। ত্রাফিককী ভোল্যুম হেঙ্গৎলকপা অমসুং লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোকপা হন্থহনগনি। লম্বী অসি বিলাটিমাতি, লৈঙোই, এগ্রিগেটস অমসুং ঈশিং শীজিন্নরগা শেম্বনি। চাওরাক্লা মিলিমিটর ১৭০ থাগদবনি। মসিনা চহী ২০দগী ৩০ ফাওবা চৎকনি। নোং কন্না চুবদসু অমাঙ অতা থোক্লোই অমসুং পোটহোলগী ৱাকৎসু লৈরোই। হায়রিবা মখলগী লম্বী অসি হৌজিক হৌজিক পেলেস কম্পাউন্দ, চেক্কোন, ৱাঙ্খে, অনন্দা সিংহ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, উরিপোক অমদি নাওরিয়া পাখঙলাকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী লম্বীশিং শেল্লি। মসিদগী ঐখোয়না খঙলে। কিমিলোমিটর ৫৪৭ শাংবা লম্বী শেম্বদা চঙলিবা মচাকশিংগী মনুংদা নুঙ, লৈঙোই য়াওই। হায়রিবা নুঙ অমসুং লৈঙোইশিং অসি অতোপ্পা ষ্টেটতগী পুরক্লগা শীজিন্নবা নত্তে। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা তুরেলশিংদগী কোৎলগা শীজিন্নবনি। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি অসিগুম্বা প্রোজেক্ট অমদা শীজিন্নগদৌরিবা মচাকশিং অদু কদায়ৱাইদগী লৌগদৌরিবনো হায়বদু ৱার্ক ওর্দরশিং অদুদা য়াওফম থোকই। হায়রিবা লম্বীশিং অসি শেম্বগী থবকশিং মপানগী কম্পেনিদা পীথোক্লগসু কম্পেনিশিং অদুদগী সব-কন্ত্রেক লৌরগা ষ্টেট অসিগী মশক নাইরবা মীওই খরনা থবক শুবা উই। মখোয়গী ৱার্ক ওর্দরশিং মীয়ামদা হৌজিকমক্কী ওইনা ফোঙদোরকপা লৈতবনিনা নুঙ অমসুং লৈঙোইশিং অদু কদায়দগী লৌগদৌরিবনো হায়বদুদি খঙদে। অদুবু খুদক খুদক্কী ওইবা ষ্টোন ক্রেসর ময়াম লিংখৎনদুনা নুঙ অমসুং নুঙকুপশিং শেম শাবগী থবক তৌবা উরি।

মমাঙ চহীগী লোইশিল্লকপা শরুক অমসুং চৎলিবা চহী অসিদা সিমেন্ট কনক্রিক্কী লম্বী ফনা য়াম্না শাংনা শেম্বদি উরে। অদুবু ঐখোয়না উরিবা লম্বী অসি মপুং ফানা লোইশিনখিবা শরুকশিংদি অমফাওবা য়াওদে। শেল্লিবা লম্বী খুদিংমক্কী ওইনা ইরম খোঙলম ( দ্রেনেজ সিষ্টেম) লোইনমক য়াওগদবনি। মদুগীদমক্তা রিজিদ পেভমেন্টকী লম্বী মতাই মতাইদা ফুট ৪দগী ৫ ফাওবা পাকপা লম্বীগী শরুকশিং হন্দোক্লক্লিবনি। হন্দোক্লিবা শরুকশিং অদুদা দ্রেনেজ শেমখ্রগা লেমহৌরিবা শরুক খরদনা অমুক হন্না সিমেন্ট কনক্রিক্টকী লম্বী শেমজিল্লক্কদৌরিবনি। মসিগীসু মথক্তা লম্বী অসি শেম্বদা করি করি মচাক শীজিন্নবগে, কয়াম পাক্কনি, দ্রেননা কয়াম য়াম্না লাওগনি হায়বদু মীয়াম খঙহন্নবা মফম চাবদা থেৎতোল্লগা থম্ফম থোকই। লুপা ক্রোর ৩৩০০গী মথক্তা চঙবা প্রোজেক্ট অসিদা শীজিন্নরিবা নুঙ অমসুং লৈঙোইশিং অসি কদায়দগী লৌবনো হায়বা খঙদবা য়াদে। মরমদি শীজিন্নরিবা নুঙ অমসুং লৈঙোইশিং অদুগী রোয়েলতি কনাদা পীরিবগে? ষ্টেটকী পোলিসিগী মতুং ইন্নদি নুঙ অমসুং লৈঙোই হায়বসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা লৈগদবনি। তুরেলদগী লৈঙোই পেক্লুরগা গাড়ী অমা পুরকপা মতমদা মদুগী টেক্সতু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা থীগদবনি। মদুগীদমক্তা ফোরেষ্টকী ওফিস ময়াম অমা থল্লিবনি। শাংখ্রবা লম্বী অমসুং পাকখ্রবা লম্বী ময়াম অমা শেম্বসিদা চঙলিবা নুঙ অমসুং লৈঙোই কয়া য়াম্না শীজিন্নগদগে হায়বদু প্রোজেক্ট অসিগী ৱার্ক ওর্দরদা শোয়দনা য়াওগনি। মদুগী শেনফম অদু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ফংলিব্রা? অমরোমদা ষ্টেট অসিগী ওইনা নুঙ অমসুং লৈঙোইগী লোনা য়াবা পেকফম অমা ফাওবা লৈত্রিবনি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লোনা য়াবা ক্বারি থম্মু হায়খিবদু ফোরেষ্টকী ক্লিয়ারেন্স, ইনভাইরোমেন্টকী ক্লিয়ারেন্সনচিংবা লৌবা ঙমদবদগী হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রিবনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা কদায়দগী নুঙ লৌরুরগা লম্বী শেম্বা শীজিন্নরিবনো? মসিগীসু মথক্তা ষ্টেট অসিদা চেঙ্গুম শৌবদৌনা ষ্টোন ক্রেশর ময়াম অমা শেমগৎনরক্লিবসিনা কনানা অয়াবা পীরিবনো? অদুগুম্বা ষ্টোন ক্রেশরশিং অদুগী মচিঞ্জাক কদায়দগী হুনগদৌরিবনো? মসিগুম্বা ৱাহং ময়াম অসিনা তাক্লিবদি মণিপুরদা সেন্দ মাফিয়া ময়াম অমা লৈরে হায়বনি। অদুগুম্বা মাফিয়া ময়াম অদু মণিপুর লৈঙাক্লা য়োকখৎলগা থল্লে। ষ্টেটকী রেভিন্যু ময়াম অমা মাঙহনবদা লৈঙাকসু শৌগৎলে। মশাগী মরল মশানা হুরাল্লে। অসিগুম্বা খুন্নাই অমা কৈদৌঙৈদসু চাওখৎপা ঙম্লোই হায়বসি খঙজিনমিন্নবা তঙাইফদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি রিজিদ পেভমেন্টগী লম্বী শেম্বগী ৱার্ক ওর্দরদা নুঙ অমসুং লৈঙোই শীজিন্নবগী রোয়েলটি থীননবা শেনফম অসুক্কি হায়দুনা হাপ্লমগনি। হাপ্লিবা শেনফমশিং অদু নরোলদা হাইহৎলগা চাগে হায়না খল্লগদি অফবা নত্তে। রিজিদ পেভমেন্টকী লম্বী শেম্বদা শীজিন্নরিবা নুঙ অমসুং লৈঙোই কদায়দগী লৌরগা শীজিন্নরিবনো হায়বদু মীয়ামদা খঙহল্লু। কয়াম য়াম্না চঙগদৌরিবনো? মদু কোন্ননবা কোৎথোকপদা মণিপুরগী ইনভাইরোনমেন্ট অসি শোক্লোই হায়বগী গরেন্টি ইনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্টনা পীবা ঙম্ব্রা হংজনিংই।

# লময়ানবা হিজম ইরাবতকী খুৎলাই পায়বগী ৱাখল্লোন কন্দায়দগীনো?

**গুণচন্দ্র ককচিংতাবম**

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মরমদা নৈনবা মতমদা মার্ক্সিজম অমদি মাওইজমগী আইদোলোজি খরা খঙনা নৈনরবা মতুংদা লময়ানবা ইরাবত কনানো হায়না পুথোকপদা ইরাই লাইনা থোক্কনি হায়বসিমদি থমজনিংই। অদুগা অতৈ ভারতকী মফম অয়াম্বদা খুৎলায় পায়বগী লালহৌ থাদোকখ্রবা মতুং লময়ানবা ইরাবতনা খুৎলায় পায়বগী লালহৌ চথদুনা লৈহৌরিবগী মরমসু থোইনা থিদোকপদা লুরোই হায়বসি পুক্কিংদা চেৎনা থাজজে। লময়ানবা ইরাবতনা খুৎলায় পায়বগী লালহৌ চঙশিনবগী মরু হুনখিবসি ইং ১৯৪৮ সেপ্টেম্বর ২১ গী পুন্দোংবম থৌদোক্কা মরী লৈননা পুলিসনা হিংনা নৎত্রগা শিনা ফাবদা লুপা লিশিং ১০,০০০ গী মনা পীগনি হায়না ৱান্টেদ লাউথোরল্লবা মতুং ইং ১৯৪৮ ওক্টোবর ২৯ দা তোপ্তা ফমখিবা মীফম অমনা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা অন্দরগ্রাউন্দ মুভমেন্টকী অকনবা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা ইং ১৯৫০ মার্চ ৯ দা পার্টিগী খুৎলায় পায়বা মশা 'রেদ গার্দ কাউন্সিল' লিংখৎখি। তশেংনমক ৱাফমসিদা নীংশিংদবা য়াদবা অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী সেমি-কোলোনি ওইবা নিংথৌপানবা, ইন্দষ্ট্রি মপুং ফানা লৈতবা, লৌমীনা মপুং ওইবা লৈপাক্তা ফোর ক্লাস এল্লাইয়েন্স টু ষ্টেজ ওফ রিভোলুসন তৌগদবনি। মসিগীদমক খুৎলায় পায়দুনা থেংনবা নৎত্রবদি অতোপ্পা উপায় অমা লৈতে হায়বা ৱাফমদুমক কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী অনিশুবা কংগ্রেস মীফম ইং ১৯৪৮ ফেব্রুৱারী ২৮ দা **Thakin Than Tun** না মীফম অদুদা অকনবা ৱাফম ফোঙদোল্লদুনা লোইলম অমসুং মচেৎ ওইবা লোইলম লৈবাক্কী মীয়াম খুৎশম্নুনা থবক তৌমিন্নবা অমসুং চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগা খুৎশম্নবগী ৱারোল থমখি। মীফম অদুদা লময়ানবা ইরাবতকা **Thakin Than Tun** গসু খঙনখ্রবনি। অদুনা লময়ানবা ইরাবতনা পুলিসনা ফানবা হোৎনরে হায়দুনা মশা ঙাকথোকচনবা খুৎলায় পায়বরা নৎত্রগা মহাক্কী রিভোলুস্নরি ষ্ট্রেটেজি অমদি টেক্টিসতা অহোংবা লাকখ্রবরা হায়বসি নৈননিংঙাই ওইরি। অদুগা অতোপ্পা অমনা লময়ানবা ইরাবতকী খুৎলায় পায়বগী লালহৌ অসি কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়ানা শকখঙবা নৎত্রগা অয়াবা পীখিব্রা নৎত্রগনা মণিপুরগী ওইবা ফীভম্না ৱারেপ লৌখিব্রা হায়বসিমসু নৈননিংঙাই ওইরি। হায়রিবা থমজরিবা ৱাহং ময়াম অসিগী পাউখুম থীনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা মতমদুগী মালেমগী ওইনা কম্যুনিষ্টশিংনা খন্নবা য়ানবা ৱাফমশিং নৈনদবা য়ারোই লোয়ননা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী ১৯৪৭-৫১ গী মনুংদা ওইবা চরাংনবা, ফীরেপ করিনো হায়বদু নৈনদনা লময়ানবা ইরাবত মশক তাকপসু লুগনি হায়বসি ফাওজে।

১৯৩৪-১৯৫১ ফাওবগী চহী ১৭ কী রাজনিতিগী খোঙচৎতা লময়ানবা ইরাবতনা মীয়ামগীদমক করি খোঙথাং লৌখৎলম্মী, করম্বা লাল্লোং অমা চথবা পাম্মী হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা য়াম্না কন্না নৈননিংবা ফাওবা মতমনি। লময়ানবা ইরাবত নৈনবা মতমদা মতমদুগী মালেমগী ওইবা থাক্তা লৈরবা কম্যুনিষ্ট রিভোলুসনরিশিংগী ষ্ট্রেটেজি অমদি টেক্টিস, ভারতকী ওইবা রিভোলুসনগী থাক অমদি মণিপুরগী ওইনা ভারত্তা পুল্লমদাই ওইবা মতমদুগী রিভোলুসনরি সিচ্যুয়েসন অদু কমায়না লৈখিবগে অমদি মতমদুগী ক্লাস কন্ত্রাদিক্সন নৈনদনা মতমদুগী রিভোলুস্নরি সিচ্যুয়েসন অমা পুথোক্তনা লময়ানবা ইরাবত নৈনবদি মপুং ইফা ফাগদবা মান্দে হায়বসিমদি ফাওজে। মতমদুগী মালেমগী ওইবা মীৎয়েংদা এসিয়াটিক কন্দিসনদা মার্ক্সিজমবু পানশিন্দুনা রিভোলুসন তৌনবগীদমক খুৎলায় পায়বগী লালহৌ অসিনা মতমদুগী রিভোলুস্নরি টেক্টিস অমা ওইখি। মতমদুদা ভারতকী কম্যুনিষ্টশিংগী মীৎয়েংদসু খুৎলায় পায়বনা চুম্মী নৎত্রগা মীখল পাঙথোক্তুনা দিমোক্রেসি লিংখৎলগা বুর্জ্জুৱা লৈঙাক মুখৎলগা সোসিয়েলিষ্ট লৈপাক অমা পানখৎকনি হায়বসিনি। অদুবু অনিশুবা কংগ্রেস মীফম মতুংদগী লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোন মীৎয়েং অসি বর্ম্মা লৈপাক্তা শৈদাংদুনা অনৌবা লম্বী অমদা চৎখ্রে হায়বসিমদি লময়ানবগী থবকনা তাকই। অদুগা লময়ানবা ইরাবত নৈনবা মতমদা তঙাইফদনা ১৯৩৪-১৯৩৮ ফাওবগী তাঙ্কক্তা লৈখিবা পোলিটিকেল ওইবা ৱারেপ, কলচরগী ওইবা ৱারেপ অমদি ১৯৪৮-১৯৫১ ফাওবগী মনুংদা লৈখিবা পোলিটিকেল ভিজন পুন্নমকসি রিভোলুসনরি প্রোসেসতা চাওখৎলকপনি মাঙলোমদা চঙশিনবনি হায়না লৌবা য়াই। মরম অদুনা লময়ানবা ইরাবত নৈনরকপা মতমদা তাঙ্ককশিং অসি পুনশিন্দুনা মাগী ৱাখল্লোন নৈনরকপা মতমদা ময়েক শেংনা শেংনা থবক চঙলি।

লময়ানবা ইরাবতনা চঙশিনখিবা খুৎলায় পায়বগী লাল্লোং চঙশিনখিবা অসিমক্তি অনৌবা নিউ দেমোক্রেসিগী প্রাক্তিস চঙশিন্নবগীদমক মশাগী মনিং তমজবা ঙাক্লবা নেস্নেল লিবরেসন মুভমেন্ট চঙশিনবগী লম্বীদা চাইনিজ লাইনদা হেন্না থাজদুনা ' ফোর ক্লাস এল্লাইয়েন্স টু ষ্টেজ ওফ রিভোলুসন' হায়বা য়ুম্ফম অসিদা চঙশিন্দুনা পান্দম ফংননবা হোৎনখি হায়বসিমদি কুপ্না নৈনমিন্নবদা থোরকই হায়বা তাই। মরমদি মতমদুদা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী মখাদা লৈরি নিংথৌ পানবা লৈঙাক হায়বসিনা খঙহল্লিবদি মণিপুর অসি সেমি-কোলোনিনি হায়বসিদি। অদুগা লৈরিবা মীয়াম অসিনা লৌমীনা মপুং ওইবা লৈপাক্কী, হায়রিবা রিভোলুস্নরি সিচ্যুয়েসন অসিদদি লোইলম অমদি নিংথৌগী মায়োক্তা লৈরিবা খুদিংমক পুনশিন্দুনা থেংনগদবনি হায়বা ৱাফম অসিগী মনুং চন্না লময়ানবা ইরাবতনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট শেম্বগী কন্সেপ্টনচিংবা পোল্লক্তুনা শেমখিবনি। মরম অদুনা লময়ানবা ইরাবতকী ১৯৪৮-১৯৫১ গী লম্বী অসি য়েংলুরবদি মণিপুরগী ওইনদি 'সোভিয়েট লাইন' দগী খরা নাথৈরগা 'চাইনিজ লাইন' লোমদা চঙশিনখি হায়বসিনি। অদুগা মশা ফানবা থিবগীদমক, মীরোৎ ওইবগীদমক খুৎলায় পায়বা নত্তে, মহাক্লা চঙশিল্লিবা লম্বীদু য়াম্না শেংনা চঙশিল্লি হায়বদি ঐখোয়না কবো ভেল্লিদা 'লিবরেটেদ জোন' শেমগৎপগী ৱাফম ফাওবা উরিবদুনি। নাকল অমরোমদা মহাক্লা শুপ্লতংগী 'ৱান্টেদ' লাউথোকপা অদুখক্তগী ওঁইনা য়েংলগদি খুৎলায় থাদোক্তুনা ভারত পুম্বা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মীখল থেংনবগী শেম শাবা অদুগুম্না মহাকসু তৌরম্বা য়াই, মদুগুম্বদু য়াম্না লাইনা শিনবা ঙম্বা মীওইনি হায়বদুসু থমজনিংই। মরমদি মতমদুদা ইন্দিয়াদা খুৎলায় পায়বগী লালহৌ অসি সোভিয়েটনা চথদনবা থমখ্রবনি। অদুনা লময়ানবা ইরাবতকী মীৎয়েংদা মহাক্কী ফীরেপ্তা খুৎলায় পায়বগী লাল্লোং 'চাইনিজ লাইন' অসিনা চুম্মী হায়না লৌদুনা খোঙথাং অসি লৌখিবনি হায়বসিনি। মসি ঐনা হায়রগা হেক্তা চুম্লে হায়বা নত্তে মাগী থবক অমদি ৱাখল্লোন অদু নৈনজরবা মতুংদা থমজবনি।

জাতিশিংগী মরন্নাই মরোমদোম লেপচবগী হক্কী (রাইট ওফ সেল্ফ-দিটরমিনেসন ওফ নেসন্সকী মতাংদা কম্যুনিষ্ট নৎত্রগা মার্ক্সিষ্ট-লেনিনিষ্ট পার্টিবু ওইরবদি পার্টিগী চৎকদবা থৌওং অমদি থৌশিলদা হাপ্তুনা লাউথোকপগী মওংসি য়াওরি, কিউবা, চাইনা, ভিয়েটনাম, ইন্দোনেসিয়াগী লোয়ননা য়ুএসএসআরদগী মশাগী হক তানজরকপদগী পিখিবদুনি মদু মেনিফেষ্টো ওফ দি কম্যুনিষ্ট পার্টি ১৯৪৮ বু ইকাই খুম্নবদগীনি। অদুবু ভারতকী ওইনদি হায়রিবা পুনবা অমসুং পুন্দবগী ৱাফম অসি ১৯৫১ দগী লৌথোকখি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিগী মমাঙদা মতমদুগী ওইবা করি করি অপাম্বা ৱারেপশিং লৈবগে হায়বদু অমুক হন্না য়েংমিন্নরবদি ১৯৪৬ এপ্রিল তাং ৫, নিখিল মণিপুর মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মন্দল অনিগী অপুনবা মীফমগী ৱারেপ ষ্টেট পিপলস কনফরেন্সকী সভাপতি পন্দিত জাওহারলালগী খুত্থাংদা বৃটিশ মন্ত্রি মিসনদা থাখিবা স্মারক পত্রি (মেমোরেন্দম) অদুগী ৫শুবা ৱাফমদা হায়রি-অকনবা কেন্দ্রিয়া সরকার অমা লৈবা, ভার পুন্নমক্কী যুক্তা রাষ্ট্রা (ফেদরেসন ষ্টেটস)অমা দাবি তৌরি, যুক্তা রাষ্ট্রা (ফেদরেল ষ্টেটস) অসি প্রদেশ (প্রোভিন্স) অমসুং ষ্টেট ময়ামনা শাগনি, মখোয়না মপুং ফাবা দায়ত্ব শিল শাসন (রেস্পোন্সিবল গভর্নমেন্ট) ফংগনি... ৬) শুবদা কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি (লাক্কদৌরিবা ভারতকী গনতন্ত্র শেম্বা সভা) অমা দাবী তৌরি, মসি বৃটেনগা লোয়ননা, সন্ধি (ত্রিতি) তৌবগী মর্ত্ত পুন্নমক পাঙথোকপা ঙম্বা মনিং তম্বা রাষ্ট্রা (ষ্টেট। কিংদম। কন্ত্রি। প্রোভিন্স) অমগী শক্তি (পৱার) লৈগনি। মসিদা য়াম্না শেংনা মার্ক্সিষ্ট প্রিন্সিপলগী মনুং চন্না য়াওজবা সেল্ফ দিটরমিনেসন অমদি পোলিটিকেল দিটরমিনেসনগী মনুং চন্না পুনবা নৎত্রগা খায়দোকপা খুদিংমক ভলন্টরি য়ুনিয়ন- এনেক্সেসন্না ফেন্দরেসন শেম্বা য়াদে হায়বদুনি। অদুগা অমুকসু য়াম্না ময়েক শেংনা ফুমদুনা য়াওরিবা নিখিল মণিপুর মহাসভা অমদি মণিপুর প্রজা মন্দলগী ৱারেপ ৬) (খ) গী অরোইবদা- অদুগুম্বা স্বাধিন (ফ্রি ফ্রোম এক্সটর্নেল কন্ত্রোল এন্দ কন্সট্রেন্ট) মণিপুর রাজ্য (কিংদম। টেরিটোরিয়েল। ষ্টেট) অদুনা ভারতকী করম্বা প্রদেশতা লৈগদগে নৎত্রগা তোপ তোপ্পা লৈগদ্রা হায়বনচিংবা লৈপাক্লা পাম্বা গনভোৎ (রিফরেন্দম। প্লেবিসাইট) মতুং ইন্না ওইবা হায়বা ৱাফমসু য়াওরি। মসিগুম্বা কম্যুনিষ্টশিংগী থৌশিল থৌরম অসিগী মনুং চন্না ১৯৯১ দা সোভিয়েট য়ুনিয়নদগী লৈপাক ১৫, য়ুগোস্লভিয়াদগী লৈবাক ৫ পোকখ্রবনি। মসি মালেমগী ওইনা সোভিয়েট য়ুনিয়ন্না কন্না তকশিনবদগী ১৯৬০ দগী জাতি অমগী মরোমদোম লেপ্পগী হক অসি মালেমগী অয়াবা পীদুনা লাকখ্রবনি।

মরম অদুনালময়ানবা ইরাবতসু হায়রিবা লম্বী অসি থাজদুনা ভলন্টরিলি ফেদরেল গভর্নমেন্ট অমগীদমক বৃটিশ মিসনদগী শেম্বা নেহরু সরকারদা থমখিবা ৱাফম মঙলান মঙফাওনরক্তবদগী মণিপুরগী ওইবা ফীভম্না ১৯৪৮ ওক্টোবর ২৯ দগী খুৎলায় পায়নবগী ৱারেপ লৌরকখিবনি। মতাং অসি য়াম্না শাংনা নৈনবা য়াবা খন্নবা য়াবা ৱাফমনি। মসি হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিং লমদমসিগী অখঙ অহৈশিংদা থমজগে। মতাং অসিদসু লময়ানবা ইরাবতকী খুৎলায় পায়বগী লালহৌ মনুংদা খুৎলায় লাকপা, খুৎলায় থাবা তোঙান তোঙানবা 'গুরিলা ৱার' চথবগী মতাংসু নৈনবা য়াবশিংনি। লোয়ননা মতাং মতমগী অমদি তঙাইফদবগী মতুং ইন্না লৈপাক মীয়াম্না নৈনবীরক্কনি হায়বা থাজে।



THE RIDJ EDUCATION FOR ALL
RIDJ EDUCTION UCHEKON
IMPHAL, MANIPUR
REGD.No. IE/2532(CE) OF 2020
ADMISSION OPENS FOR CLASSES V-XII
BOARDING FACILITIES AVAILABLE
[ COMMENCEMENT OF CLASSES FOR CLASSES 11 AND 12: 20th APRIL MONDAY 2026 ]
RESULT AT THE GLANCE FOR THE HSLC EXAMINATION, 2024-25
BATCH: 1. NO. OF APPEARED STUDENTS - 78 PASSED%: 100%
2. NO. OF STUDENTS PASSED OUT IN FIRST DIVISION: 78
FOR DETAILS PLEASE CONTACT: 7005881627
ADDRESS: KONGBA UCHEKON MATHAK
NEAR SUN LIGHT LIBRARY CLUB


## WAYEL SUDOKU

*Puzzle 261*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | | 9 | | | |
| 7 | 6 | | | 3 | 5 | | | |
| | 9 | | 8 | 2 | | | | |
| | 7 | | 3 | | 4 | 2 | 1 | |
| 4 | 8 | | | | 2 | | | 6 |
| | 2 | | | | 8 | | 7 | |
| 6 | 4 | | | 8 | | | | |
| | | | | 4 | 1 | | 3 | 7 |
| | | 7 | 5 | 6 | | | 2 | |

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-259*



**ACROSS**

1 Minor road (4,6)
5 Historical records (6)
9 Honing block (9)
10 In bad taste (5)
11 Downpour (9)
13 African antelope (5)
14 Worthwhile, productive (9)
18 Vague idea (7)
19 Fish's breathing organs (5)
21 Remove errors from software (5)
22 Go one better than (7)
25 Hawaiian garland (3)
26 Dry humour (5)
27 One under par (6)
29 Onto dry land (6)
33 Respond (5)
34 Public transport vehicle (3)
35 Discern (4,3)
36 In accordance with (2,3)
37 Unlocks (5)
39 Take advantage of (7)
40 Long slender cigar (9)
43 Custom (5)
46 Mistake (9)
49 To any degree (2,3)
50 Underskirt (9)
51 Entreaty (6)
52 Necessary items (10)

**DOWN**

1 Popular picnic food (6,3)
2 Woodland spirit (5)
3 Opera composer (7)
4 Pacific island (6)
5 Church table (5)
6 Microscopic organism (6)
7 Working animal (8)
8 Scrape, scratch (5)
12 Humblest (7)
15 Checkout operator (7)
16 Fertilised egg (6)
17 Numbers (7)
20 Easy-going (4-4)
23 Congregate (8)
24 Mass departure (6)
25 Supple (6)
28 Copy (7)
30 Remote settlement (7)
31 Keep raised with a support (4,2)
32 Canadian city (7)
38 Unabashed (9)
39 Country bordering Somalia (8)
41 Bedtime garment (abbr.) (7)
42 Moon-related (5)
44 Circus site (3,3)
45 Make, devise (6)
47 Spoken (5)
48 Barb, insult (5)

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 2 | 4 | 7 | 9 | 5 | 6 | 1 |
| 7 | 6 | 4 | 1 | 3 | 5 | 9 | 8 | 2 |
| 1 | 9 | 5 | 8 | 2 | 6 | 7 | 4 | 3 |
| 5 | 7 | 6 | 3 | 9 | 4 | 2 | 1 | 8 |
| 4 | 8 | 9 | 7 | 1 | 2 | 3 | 5 | 6 |
| 3 | 2 | 1 | 6 | 5 | 8 | 4 | 7 | 9 |
| 6 | 4 | 3 | 2 | 8 | 7 | 1 | 9 | 5 |
| 2 | 5 | 8 | 9 | 4 | 1 | 6 | 3 | 7 |
| 9 | 1 | 7 | 5 | 6 | 3 | 8 | 2 | 4 |

| | | | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | I | D | E | S | T | R | E | E | T | | A | N | N | A | L | S |
| C | | | | A | | O | | | A | | L | | | M | | H |
| O | | S | | T | | S | | W | H | E | T | S | T | O | N | E |
| T | A | C | K | Y | | S | | | I | | A | | | E | | E |
| C | | U | | R | A | I | N | S | T | O | R | M | | B | | P |
| H | | F | | | | N | | | I | | | E | L | A | N | D |
| E | F | F | E | C | T | I | V | E | | F | | E | | | | O |
| G | | | | A | | | | M | | I | N | K | L | I | N | G |
| G | I | L | L | S | | D | E | B | U | G | | E | | | | |
| | | A | | H | | | | R | | U | P | S | T | A | G | E |
| L | E | I | | I | R | O | N | Y | | R | | T | | S | | X |
| I | | D | | E | | | | O | | E | | | | S | | O |
| S | | B | I | R | D | I | E | | A | S | H | O | R | E | | D |
| S | | A | | | | M | | P | | | | U | | M | | U |
| O | | C | | T | | I | | R | E | A | C | T | | B | U | S |
| M | A | K | E | O | U | T | | O | | | | P | | L | | |
| | | | | R | | A | S | P | E | R | | O | P | E | N | S |
| E | X | P | L | O | I | T | | U | | | | S | | | | H |
| T | | | | N | | E | | P | A | N | A | T | E | L | L | A |
| H | A | B | I | T | | | C | | | I | | | | U | | M |
| I | | I | | O | V | E | R | S | I | G | H | T | | N | | E |
| O | | G | | | O | | E | | | H | | A | T | A | L | L |
| P | E | T | T | I | C | O | A | T | | T | | U | | R | | E |
| I | | O | | | A | | T | | | I | | N | | | | S |
| A | P | P | E | A | L | | E | S | S | E | N | T | I | A | L | S |

Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733